## অথুবদা মীৎয়েং চঙহন্নিংই : এ বি সী

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): চন্দ্রকির্তি পার্ক অসি অথুবদা মীৎয়েং চঙহন্নিংই হায়না এফেরস ওফ বিনাইন সেন্টর (এ বি সী)গী সেক্রেটেরি সী ঐচ জয়কুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, দিরে-ক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্টকী থৌশিল মখাদা এ বি সী অমসুং দিস্কোভর মণিপুরনা লিশাং-শিংনা ৰেটলেন্দ অমদি চীং-তমদা লৈরিবা মফম কয়া য়েংশিন্দুনা লাক্লি। অকোয়বগী খুলশিংদা হকথেংননা অমদি নাকোয়ননা কান্নবা পীরিব্রা হায়বা থিজিন-খোঙচৎ অমা থা অসিগী ২৫ দা চৎখি। খোঙচৎ অদুনা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরদা লৈরিবা চিবুদিল ৰেটলেন্দসু য়েংলকখি। ৰেটলেন্দ অসিগী পাক চাউবসি হেক্তর অমগুম্বনি। ষ্টেট আর্কিওলোজিনা পার্ক অসিগী পাক চাউবসি প্রোটেক্তেদ এরিয়া ওইনা হিষ্টোরিকেল মোন্যুমেন্ট এক্তকী মখাদা ঙাক শেল্লি। ৰেটলেন্দ অসিদা মতম চুপ্পদা পার্ক অসিগী অতোংবা মফম অমদগী নোংজুথা নত্তবা মতম অসিদসু ঈফুৎ মচা অমনা লেপ্তুনা ঈশিং পীরি। মসিনা ৰেটলেন্দ অসিগী মতিক ময়াই লৈবা হেনগৎহনবতা নত্তনা অঙকপা পোৎশক অমসু ওইরি। কুমজা ২০১৭কী দিসেম্বর ১৯দা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা টিম অমনা শঙ্গাখ্রবা ফাওবদা পার্ক অসিগী শাগৎলিবা বিল্ডিংগী শরুকশিং অমদি শম্বল মচাশিং ফাওবা লোইশিন্দনা থন্বীরি হায়রি।

### Important Phone Nos.

| | | |
|---|---|---|
| RIMS | - | 2414478 |
| J.N. Hospital | - | 2450385 |
| DG Control | - | 2450100 |

**FIRE SERVICE**

| | | |
|---|---|---|
| Imphal | - | 101 |
| Moirang | - | 8415925197 |
| Churachandpur | - | 8415925191 |
| Thoubal | - | 8415925203 |
| Kakching | - | 8415925194 |
| Jiribam | - | 8415925193 |
| Mayang Imphal | - | 8415925196 |
| Bishnupur | - | 8415925190 |
| Moreh | - | 8415925198 |
| Kangpokpi | - | 8415925195 |
| Ukhrul | - | 8415925205 |
| Senapati | - | 8415925199 |
| Chandel | - | 8415925192 |
| Singhat | - | 8415925201 |
| Sugnu | - | 8415925202 |
| Yairipok | - | 8415925206 |

### Today's Flights Timing (Non Stop only)

| | |
|---|---|
| IMPHAL → | AGARTALA |
| IndiGO | 13:20 |
| IMPHAL → | AIZAWL |
| Air Asia (India) | 12:20 |
| IMPHAL → | DELHI |
| Air Asia (India) | 13:45 |
| IndiGO | 14:30 |
| IMPHAL → | GUWAHATI |
| IndiGO | 09:45 |
| Air Asia (India) | 11:15 |
| IndiGO | 14:15 |
| Air India | 14:20 |
| IMPHAL → | KOLKATA |
| IndiGO | 10:50 |
| Air India | 14:45 |
| IndiGO | 15:20 |
| Air India | 16:45 |

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 78.535282 |
| US Dollar | 71.335876 |
| British Pound | 92.828976 |
| Australian Dollar | 48.142467 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.279878 |
| Japanese Yen | 0.655182 |
| Malaysian Ringgit | 17.468086 |
| Singapore Dollar | 52.494531 |
| South Korean Won | 0.060466 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.022900 |
| Thai Baht | 2.308338 |
| Myanmar Kyat | 0.04873 |
| Bangladesh Taka | 0.84045 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 42,240.00 |
| Mumbai | – | Rs | 40,600.00 |
| Delhi | – | Rs | 40,750.00 |
| Kolkata | – | Rs | 41,330.00 |

### GAS NEWS

**ATHOKPAM INDANE**
Booking Upto: 05/12/2019
Valid From: 27/11/2019
***Stk : 612 (CTC)***
Timing: 06.30 am to 10.00 am

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking Upto: 11/12/2019
Valid From: 01/12/2019
***14 Kg Stk : 612***
Timing: 08.00 am to 10.00 am
(First Come First Serve)

**KHONGNANG (BISHNUPUR)**
Booking Upto: 23/10/2019
Valid From: 19/10/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.30 am to 10.00 am

**M.M. GAS SERVICE**
**Rate Rs. 836.90**
Booking Upto: 26/11/2019
Valid From: 11/11/2019
***Stk : 612***
Timing: 07.30 am to 10.30 am
(First Come First Serve)

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
**Sl. No. : 0001 - 0450**
Booking Upto: 20/11/2019
Valid From: 16/11/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.00 am to 11.00 am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto: 05/11/2019
Valid From: 04/11/2019
***Stk : 612***
Timing: 07.30 am to 09.30 pm

**YAIRIPOK GAS SERVICE**
Booking Upto: 08/12/2019
Valid From: 28/11/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.00 am to 10.00 am

**SAWOMBUNG'S INDANE**
Booking Upto: 22/11/2019
Valid From: 09/11/2019
***Stk : 306***
Timing: 08.00 am to 10.30 am

# দ্রগ কেসতা পুলিস ইন্সপেক্টর অমগী ষ্টেটমেন্ট কোর্টনা লৌখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): ঙসিদগীনা চহী ৭ লোমগী মমাঙ হৌখিবা কুমজা ২০১৩ গী জন্যুৱারী ১১গী নুংথিলদা কোলকাটাদগী দেকান কার্গোনা পুশিল্লকখিবা কার্টুন বোক্স ৭ পীক থনবা থিংলবা দ্রগশিং ফাগৎখিবা থৌদোক্কী মতাংদা সেন্ট্রল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না ফ্রেম তৌবা চার্জশীটতা য়ুম্ফম ওইদুনা চথরক্লিবা ৰায়েলদা পুলিস ইন্সপেক্টর অমগী ষ্টেটমেন্ট কোর্টনা লৌখ্রে।

য়াম্লবা দ্রগশিং অদু মতম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা লৈখিবা স্পেসল ইন্টিলিজেন্স য়ুনিট (এস আই য়ু)গী ইন্সপেক্টর কে রঞ্জিৎনা লুচিংবা টিম অমনা হকথেংননা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী ফাগৎখিবনি।

ঙসি উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেসল জজ (এন দি এন্দ পি এস) ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট, মণিপুরদা ষ্টেটমেন্ট পীখিবা পুলিস ইন্সপেক্টর অদুগী মমিং এ কে শান্তিকুমার (৫৩) কৈই। থৌবাল ৱাংমাতাবদগী লৈখিদ্রবা এ কে জুগেশ্বরগী মচানুপানি। মহাক চার্জশীট কেস অসিগী প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস (পি দব্লিয়ু) নম্বর- ৪৫নি। মহাক্না কোর্টতা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা মহাক হৌখিবা কুমজা ১৯৮৬তা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা সব-ইন্সপেক্টর ওইনা চঙলকখিবনি। মহাক কুমজা ২০০৮ দা ইন্সপেক্টরদা প্রমোসন পীখি। থৌদোক অদু থোকখিবা কুমজা ২০১৩ দা মহাক ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ ওইনা লৈখি হায়রি।

চহী অদুগী জন্যুৱারী ১৭তা মতম অদুগী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ক্বিক রিএক্সন টিম (ক্যু আর টি)গী কম্মান্দর ওইখিবা মহাক্না নুমীৎ অদুমক্তদা ৱায়রলেস সেটকী খুথাংদা মালোমদা লৈবা ইন্সপেক্টর কে রঞ্জিৎকী য়ুম মনাক্কী মফম অমদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমা থোকই হায়বগী পাউ ফংখি। পাউ অদু নুমীৎ অদুগী নুমীদাং পুং ১০ রোম তারকপদা ফংখিবনি। পাউ অদু তাবগা লোয়ননা মঙোন্দা পীরকখিবা ইন্সত্রক্সনগী মতুংইন্না মহাক মালোমদা চঙশিনখি। মফম অদুদা মহাক্কী মায়কৈদগী করিমত্তা ফংবা ঙমখিদে। অদুম ওইনমক ইন্সপেক্টর কে রঞ্জিৎনা ফোঙদোরকখিবদা, নোংমৈ রাউন্দ অমা মহাক্কী থোঙ্গালদা কাপশিল্লম্লবা মতুংদা নাম্থোক্তুনা চৎখ্রে। নোংমৈ কাপশিল্লমখিবা মীওইশিং অদু মশক খঙহৌদ্রবা অঙাংবা মচুগী কার অমদা লাকখিবনি হায়নসু ফোঙদোরকখি হায়রি।

মসিদগী মহাক্না থৌদোক থোকখিবা মালোম অসি নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী জুরিদিক্সনগী মনুং চনবনা পুলিস ষ্টেসন অসিদা কমপ্লেন্ট অমা লোজ তৌনবা হায়খি। থৌদোক অদুগী মতাংদদি ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মখাদা লৈতবা মরম্না পুলিস ষ্টেসন অসিগী জেনরেল দাইরিদা রেকোর্দ তৌখিদে হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোকখি।

ঙসি মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট পীবা লোইরবা মতুংদা মহাকপু কেস অসিগী এক্যুইজ নম্বর ২ ওইরিবা রামভির টিয়াগি, এক্যুইজ নম্বর ৩ ওইরিবা হেনরি ওক্রম এলিয়স হেনরি অমসুং এক্যুইজ নম্বর ৪ ওইরিবা সাপম অঙ্গুস এলিয়স ননাও এলিয়স নাওবগী মায়কৈদা লেপখিবা দিফেন্স কাউন্সেলশিংনা ক্রোশ এগজামিনেসন তৌখি। অদুবু থৌদোক থোকখিবা মতম অদুদা ইন্সপেক্টর এ কে শান্তিকুমার মশাদি নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগা মরী লৈনদবনা মখা তাবা আইদিয়া অমত্তা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, কেস অসি হৌখিবা কুমজা ২০১৮কী জুন ২১দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), মণিপুর, লম্ফেলদগী কোর্ট অসিদা ট্রান্সফর তৌরকখিবনি।

# ফেব্রুৱারী ১৪ দা এ আরগী পান্দে লাক্তবা তারবদি আই জি এ আর (সাউথ)তা চে থাগনি : বিনোতা

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): অসাম রাইফলসকী পান্দেগী মথক্তা ৱিমেন কম্মিসনদা থা অসিগী ১৪ দা হিয়রিং তারিবা অসিদা লাক্তৃবদি আই জি এ আর (সাউথ)তা চে থারগনি হায়না মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়রপর্সন ডা. এম বিনোতানা ফোঙদোকখ্রে।

লম্ফেলপাৎতা লৈবা কম্মিসনগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা কম্মিসন অসিগী কুমজা ২০২০গী কেলেন্দর ফোঙবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা ডা. এম বিনোতানা হায়খি, আই পি এস নুপী অমদা চথখিবা অদুগা মরী লৈননা কম্মিসন্না লৌখৎপা খোঙথাংদা ঙরাং হিয়রিং তাই। পান্দে মশা লাকখিদে। মহাক্কী কাউন্সেল থারকখি। চয়োল ৩ মতম পীবীয়ু হায়রকখি। মদুদা য়ারোই হায়না চয়োল ১খক্কী মতম পীখি। ফেব্রুৱারী ১৪ দা মহাক মশা লাক্কদবনি। মখোয় অনীগী অচুম-অরান ৱাহং-পাউহং তৌগনি। অচুম-অরান য়ানদ্রগদি কোর্টনা লেপকদবনি। আই পি এস নুপী অসিগীদি ওফিসল দ্যুটিনি হায়বা ময়েক শেংলে। চে-চাংসু লৈরে। ফেব্রুৱারী ১৪ দা পান্দে লাক্তৃবদি আই জি এ আর (সাউথ)তা চে থাগনি। লাক্তৃবদি ৱারেন্ট ইস্যু তৌবগী কম্মিসন্দা রাইট লৈ।

কম্মিসনগী কেলেন্দর ঙসি ফোঙবনি। নুপীগী নুংঙাইতবা থৌদোক অমা হেক থোকপদা চঙশিনগদবা মরম্না কম্মিসনগী গাড়ী তঙাইফদে। হান্না শীজিন্নরম্বা গাড়ীসু চহী ১৫ শুরকপদগী নুংঙাইত্রে। নুপীশিংগীদমক থবক তৌরিবা কম্মিসননি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সোসল ৱেলফেয়রগী দিরেক্টর এন জি উত্তম, কম্মিসনগী মেম্বর টি চুংশিন অমদি লৌরেম্বম দয়াবতিসু শরুক য়াখি।

## অরাম্বাই ইল্লুষ্ট্রেসন হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): অরাম্বাই ইল্লুষ্ট্রেসন সেন্টর অমা ঙসি কোনুং লম্পাক মোংবাহনবা কবুই খুলদা মিষ্টর নেসনল য়ুনিভর্স ২০১৯-২০ বিকাশ উশম অমদি সিঙ্গর প্রিতি য়ুম্নামনা হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বিকাশ উশমনা ফোঙদোকখিবদা, সেন্টর অসি নাৎকী ওইবা কয়াদা বেজ তৌদুনা প্রিন্ট তৌনবা হাংদোকপনি। ফুরিৎ খোঙ্গ্রাও অমসুং কলচরগী ওইবা কয়া অমা নম্নবগী খুদোংচাবা মফম অমা ওইহন্নবা হাংদোকপনি। মীয়াম্নসু মফম অসিদা লাক্লগা অপান্বা খুদিংমক নম্বীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# রোজর ইরোমগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): রোজর ইরোম মেমোরিয়ল ট্রষ্ট, ইম্ফালনা ষ্টেট ব্লদ সেল এন ঐচ এম মণিপুর অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিন রিমসকা খুৎশম্নুনা শীন্দুনা লৈখিদ্রবা রোজর ইরোমগী ২৮লকশুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অমদি এৱেয়র্নেস কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে।

দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিন রিমসকী হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা রোজর ইরোম মেমোরিয়ল ট্রষ্টকী সেক্রেটেরি ইরোম ওংবী চিত্রানা ফোঙদোকখিবদা, লৈখিদ্রবা রোজর ইরোমগী ২৮লকশুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসি পাঙথোকপনি। রোজর ইরোমনা হিংলিঙৈ মতমদা মীগী মতেং পাংবা য়াম্না পাম্লম্মী। মহাক্কী মপোক নুমীৎনচিংবা লাকপদা চিলদ্রেন হোমনচিংবদসু চৎতুনা মতেং পাংবগী থবক তৌরম্মী। ঙসিদি মহাক লৈখিদ্রবা মতুং অসিদা মহাক্না পামজরম্বা মতেং পাংবগী ৱাখল্লোন অদু নীংশিংবগা লোয়ননা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসি শীনবনি। ব্লদ দোনেসন কেম্প অসিদা ভলন্টরি দোনরশিংনা কৎকদৌরিবা ঈ অসিনা অৱাবা তারবা মীওই কয়াদা কান্নবা পীগদৌরিবনি। মীওই কয়া অমগী পুন্সি কনগদৌরিবনি। ঈগী তঙাইফদবা লাকপা অনাবা কয়াদা মতেং ওইজনবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা কেম্প অসি পাঙথোকপনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিনগী হেদ ডা. এ বারিন্দ্রনা হায়খি, ঙসি মালেম অসিদা সাইন্সকী লমদা য়াম্না চাউখৎলে হায়রগসু ঈগী মহুৎ শীনবা ঙম্বা পোৎশক অমত্তা শাবা ঙমদ্রি। ঈ হায়বসি তোঙান তোঙানবা কম্পোনেন্ট কয়ানা পুনশিল্লগা শেম্বনি। ব্লদ দোনরশিংনা পীবা ঈ অসি য়াম্না অফবা অমনি হায়না লৌনৈ। ঈ পীবা মতমদা হকচাংদা মাঙনিংঙাই লৈতে। মশা-মউ ফবা মী অমনা ঈ পীবদা করিসু অকায়বা লৈতে। ভলন্টরি ব্লদ দোনেসনগী এৱেয়র্নেস নীংথিনা লৈবা য়াম্না মরুওই। হৌজিক্কী মতমদা চাউখৎলকপগা লোয়ননা গাড়ী মশিং হেনগৎলকপা অসিনা এক্সিদেন্ট থোকপগী চাংসু ৱাংখৎলক্লি। এক্সিদেন্ট থোকপা মতমদা খুদক্কী ওইবা ঈগী তঙাইফদবা কয়া লাকই। অসিগুম্বা মতম অসিদা ঈগী অৱাৎপা লৈতনবা হোৎনবা তঙাইফদে। ভলন্টরি ব্লদ দোনর মশিং য়ামখৎলক্লবদি ঈগী অৱাৎপা লৈরোই। হৌজিক অনাবা মখল কয়া অমসু ঈগী তঙাইফদবা লৈবা য়াওরি। মেজর ওপরেসন তৌরকপা মতমদসু ঈ অসি য়াম্না মরুওই। ঈগী তঙাইফদবা লাকপা মতমদা অথুবদা ফংবা য়ানবগীদমক ঈগী অৱাৎপা লৈতনবা হোৎনসি। ব্লদ দোনর অমনা পীরিবা ঈ অসিনা অতোপ্পা অনাবা মীওইগী পুন্সি কনবা ঙমগদৌরিবনি। মসি য়াম্না অচৌবা খুদোল অমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা রোজর মেমোরিয়ল ট্রষ্টকী এদভাইজর নিংথৌজম চাওবনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। হ্যুমেন ইনিসিএটিভ মণিপুরগী এদভাইজর কৈশাম কামিনিকুমারনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। ব্লদ দোনর কয়ানা কেম্প অদুদা ঈ পীনখি হায়রি।

## ১১রকশুবা লৌরোই ফেষ্টিভেল লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): কুম অমগী লৌ লোকপা লোইরবা মতুংদা পাঙথোকপা ষ্টেট থাক্কী ১১রকশুবা লৌরোই ফেষ্টিভেল থা অসিগী ২২ দা চকপা ফয়েং খুঞ্জাওদা লৈবা হৈয়ু পার্কতা লোইশিনখ্রে।

ষ্টেট লেভেল লৌরোই ফেষ্টিভেল ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী কন্ভিনর এল লোকেন্দ্রোনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ২০দগী হৌনা ফেষ্টিভেল অসি চথরকখিবনি। মালেম ইমাবু খুরুমজবা অমদি লৌমীবু ঈকায় খুম্নবা হায়বা ৱাখল্লোন্দা য়ুম্ফম ওইরগা পাঙথোকপা ফেষ্টিভেল অসিগী লোইশিনবা নুমীৎতা মণিপুর প্লান্নিং বোর্দকী দেপ্যুটি চেয়রমেন এস রাজেননা চীফ গেষ্ট, হান্নগী প্রধান এ গোজেন্দ্রোনা প্রসিদেন্ট, হান্নগী এম এল এ, কে শরত অমসুং কোন্থৌজম জি পিগী প্রধান মনিসনানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

ফেষ্টিভেল অসি লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মথং চহীগী ১২রকশুবা লৌরোই ফেষ্টিভেল ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ৱাইতোন গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চন্না লৈবা ৱাইতোন খুঙ্গংদা পাঙথোক্লগনি হায়নসু লাউথোকখি। ফেষ্টিভেল অসিগী নীনি চনবা নুমীৎতা পাঙথোকখিবা ষন লাবা ফজবা তান্নবদা মকোক-মথং তাখ্রবশিংদসু মনাশিং য়েন্থোকখি।

## অসামদা মেকঅপ ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): নোংইন ইন্সটিট্যুটনা শিন্দুনা নুমীৎ ৫নীগী ওইবা মেকঅপ ৱার্কশোপ অমা থা অসিগী ২১দগী হৌরগা ২৫ ফাওবা অসামগী সুপাথার হায়বা মফম অমদা পাঙথোকখ্রে। মোরমী মোরাং অমদি লোকেন্দ্রো সিংহনা স্পোন্সর তৌদুনা অসামদা পাঙথোকখিবা মেকঅপ ৱার্কশোপ অদুদা এসিষ্টেন্ট মেকঅপ আর্টিষ্ট বেবিমচা হামোম য়াওনা পুন্না মীওই ৩০মুক হেন্না শরুক য়াখি। মেকঅপ ৱার্কশোপ অদু লমদম অসিগী শক্লাইরবা মেকঅপ আর্টিষ্ট তাংবী গুরুময়ুমনা লুচিংদুনা পাঙথোকখি। নোংইন ইন্সটিট্যুটকী মখা তারকপা ৱার্কশোপ পাঙথোরকপা ওইনা চহী অসিগী লাক্লিবা জুলাই থাদসু তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা মেকঅপ ৱার্কশোপ পাঙথোক্কনি হায়রি।

## জেনরেল বোদি মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবী নুপী মরুপকী জেনরেল বোদি মীটিং ঙরাং নুংথিল পুং ২ তাবদা পাঙথোকখ্রে হায়না নুপী মরুপ অসিগী সেক্রেটরি কাঙবম সুমোবালানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ঙরাং নুংথিল পুং ২ তাবদা ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবী নুপী মরুপকী জেনরেল বোদি মীফম ৱাহেংবম মেমানা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখি। মরুপ অসিগী মথংগী থৌ পুগদবশিংসু য়েৎনবা লৈতনা খনখি। নৌনা খল্লবা থৌ পুগদবশিং অদুদি, প্রসিদেন্টতা থাংজম নুংশি, ভাইস প্রসিদেন্টতা বোরনি, সেক্রেটরিদা কে ঐচ বিমোলা, জেইন্ট সেক্রেটেরিদা এ মেমচা, ট্রেজররদা এল নন্দ, পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা ও ইনাওচানি হায়রি।

## পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ক্রিমিনেল...

*লামায় ১গী মখা...* এঞ্জিনীয়র, প্রাইমারি টিচর, প্রোফেসর, আর্মি ওফিসর, পুলিস ওফিসর, জুদিসল ওফিসর, দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট, দিষ্ট্রিক্ট জজ, মেট্রোপোলিটান মেজিষ্ট্রেট, হায় কোর্টকী জজ অমদি সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইবা য়াহন্দ্রবসু মীখলদা মীরেপ ওইনা চোংথোক্লগা এম এল এ, এম পি অমদি মিনিষ্টর ফাওবা ওইবা য়াহল্লি। মসিনা মরম ওইরগা দিমোক্রেসি অমসুং রুল ওফ লোদা অকায়বা থোকহল্লকপনি হায়না পি আই এল অদুনা ফোঙদোকখি।

পি আই এল অদুনা হায়খি, মীরেপ অমগী এদভর্টিজমেন্ট ফোঙবদা মীওই অদুগী চহী, এদ্যুকেসনেল ক্বালিফিকেসন, ক্রিমিনেল কেস অমদি লন-থুমগী মতাংদা ময়েক শেংবা ৱাফম য়াওহনগদবনি। হায়রিবা ৱাফমশিং অসি অহুম্লক হন্না খ্বাইদগী মমিং লৈবা ন্যুজ চেন্নেল অমদা অয়ুক পুং ৯দগীনা নুমিদাং পুং ৯ ফাওবদা লাউথোক্কদবনি। নোমিনেসন ফাইল তৌগদবা নুমীৎ ৭নি ৱাৎলিঙৈদা অহুম্লক হন্না খ্বাইদগী মশীং য়াম্না চৎপা পাউচেদা ফোঙদুনা মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি হায়নসু পি আই এল অদুনা ফোঙদোকখি। করিগুম্বা মথক্তা পীরিবা গাইদলাইনশিং অসি ঙাক্তৃবদি রিটর্নিং ওফিসরনা মীওই অদুগী মীরেপচে রিজেক্ট তৌনবা য়াথং পীবীয়ু হায়না সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎখি।

## অসাম রাইফলসনা ফাখ্রগা কাংপোকপী...

*লামায় ১গী মখা...* ব্লেঙ্ক ফায়র খরা তৌখি হায়রি। লম্বী ময়াইদা টায়রনচিংবা মৈ থাদুনা মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না নেসনল হায়ৱে থিংজিনখিবদগী লম্বী অসিদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংদা চাউনা অপনবা থোকখি। পেসেঞ্জর পুবা য়াওনা গাড়ী কয়া লম্বীদা পন্দুনা লৈনখি। তুংদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা কুকি ইনপি, কে এস ও অমদি কাংপোকপীগী তোঙান-তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিংগা ফম্মিন্নদুনা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা সী এস ওশিংগী মায়কৈদগী মীশি অসিগী মতাংদা জুদিসল ইনক্বারি তৌহনবা, লৈখিদ্রবগী ইমুংগী লৈহৌরিবা মীওই অমদা লৈঙাক্কী থবক হাপ্পা অমদি থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই এক্সন লৌখৎপা য়াওনা দিমান্দ কয়া তৌখি। মদুদা হীরম খরদা মিনিষ্টরগা য়ানবা পুরকপদগী নেসনল হায়ৱে থিংলম্বা অদু হন্দোকখ্রে হায়রি। তুংদা অশিবা হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেম তৌনবগীদমক রিমসকী মোর্গতা পুখ্রে হায়রি।

## হায়কোর্টনা য়াসকী কম্মিস্নর নৎত্রগা...

*লামায় ১গী মখা...* তৌরদুনা মফমসি থাদোক্তুনা চৎখ্রে হায়বগী পাউশিং পাউচেশিংদা পাক্তক্লনা ফোঙনরকপদগী হায়কোর্ট মশাগী ওন মোসন কেস অসি একাদেমি অসিগী মথক্তা শু-মোতুদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

কেস অসি হৌখিবা কুমজা ২০১৭কী সেপ্টেম্বর ৮দা মতম অদুগী এক্টিং চীফ জষ্টিস এন কোটিশ্বর অমসুং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিন অনীগী দিভিজন বেঞ্চনা লৌখৎলগা কেস অসিগা মরী লৈনবা দিরেক্সনশিং মসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদা পীবা হৌখি। কোর্টনা কেস অসিগী ৱায়েল চথবগীদমক পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপ্নবগীদমক এদভোকেট মৈহৌবম রাকেস অমসুং কে ঐচ তরুনকুমারবুসু এমিকস ক্যুরিশিং ওইনা হাপখি।

কোর্ট অসিদা লেপ্তুনা চথরকখিবা ৱায়েলশিংগী মতুংইন্না কেস অসিগী এমিকস ক্যুরিনা স্পোর্টস একাদেমি অসিদা মরিরক হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিল্লুরে অমসুং মসিগী রিপোর্টশিং কোর্টতা মরিরক পীখৎলকখ্রে হায়রি।

একাদেমি অসিগী প্রিন্সিপাল রনবির শরাংথেমনা কোর্টতা মমাঙগী কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবর ১৬তা পীখৎলকখিবা এফিদেবিট অমসুং স্পোট ইন্সপেক্সনগী রিপোর্ট মরিগী মনুংদা অহুমদদি একাদেমি অসিগী ইমপ্রুভমেন্ট খরা উবা ফংখ্রে হায়রি। অদুবু মরিশুবা ইন্সপেক্সন থা অসিগী ২৩দা দোক্যুমেন্ট অমদি ফোটোগ্রাফশিং য়াওনা পীখৎলকখিবা রিপোর্টতদি একাদেমি অসি য়াম্না ফত্তবা কন্দিসন অমদা লৈরে হায়রি। অসিগুম্বা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্ট ওথোরিটিশিংনা স্পোর্টস একাদেমি অমসুং মসিগী হোষ্টেলবু মেন্টেন তৌরম্লিবা মওংসিদদি কোর্টনা য়াম্না নুংঙাইতবা পোক্লে হায়খি।

মরম অসিনা কেস অসি থাসিগী ২৩দা চীফ জষ্টিশ রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিশ এম ভি মুরালিদরনগী দিভিজন বেঞ্চনা লৌখৎলগা মথক্কী ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কেস অসি মথং থাগী ২০দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা খঙহনখি। লোয়ননা নুমিৎসিদা কমপ্লাইয়েন্স রিপোর্টকা লোয়ননা য়াসকী কম্মিস্নর নৎত্রগা দিরেক্টর কোর্টতা লাক্লবা খঙহনখিবনি।

কোর্টকী ওর্দর অসিদা মসিগী কোপিশিং এদিসনেল এদভোকেট জেনরল মোমোতা ওইনাম অমসুং কেস অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১,২,৩ অমসুং ৪দা তোঙান-তোঙান্না পীবগা লোয়ননা এমিকস ক্যুরি অনীদসু পীননবা খঙহনখি।

## খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোয়বদা ষ্ট্রিট...

*লামায় ১গী মখা...* গুরুময়ুম লেম্বীসনানা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপদা, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসননা করিগুম্বা অমত্তা মাংজৌননা খঙহন্দনা ষ্ট্রিট ভেন্দর ফম্লিবশিং খূদক্তা থিংজিল্লকপা অসি য়ানিংদে। ষ্ট্রিট ভেন্দর ফম্লিবশিংসু নোংমগী মনা-মশিং খরা য়োঞ্জবা অদুনা ইমুং-মনুং পুবগা লোয়ননা মচা-মশুশিং লাইরিক তমহন্নবা হোৎনজরিবনি। হৌখিবা নুমিৎ ৫/৬নি অসি ষ্ট্রিট ভেন্দর ফম্বীশিং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী য়াথং মতুং ইন্না সিটি পুলিসনা তানখায়দুনা পোৎ য়োলহনবা ফংহন্দবা অসিনা ষ্ট্রিট ভেন্দর ফম্বীশিং অসি অৱাবা কয়া মায়োক্লরে। মণিপুর লৈঙাক্না ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং চপ চাবা মফম অমা পীবীদ্রিবা ফাওবদি ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং ফম্বা য়াহনবীয়ু হ ায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা লৈশাবী অমা...

*লামায় ১গী মখা...* হকচাং ওইরমখিবনি। মহাক্কী খোঙ অমসুং খূৎ থৌরীনা পুনশিল্লগা ঈশিংদা থাদরম্বনি। মহাক্কী থৌরীদা ফিনা লাকহৎপগী দাগফমসু লৈরম্মী। নুপী ওইবীগী ইকায় খুম্নবা মাঙহল্লবা মতুংদা তমথীনা হাৎলগা হুন্দোক্লম্বা ওইগনি থাজনরি।

থৌদোক থোকফম অদুদা ফোরেন্সিক সাইন্সকী লেবোরেটরি য়ুনিটকী কাঙবু, ইম্ফাল ৱেষ্টকী পুলিস অমদি ময়াং ইম্ফালগী পুলিস য়াওনা য়াম্না কূপ্না য়েংশিনখি। মতুংদা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেম তৌনবগীদমক রিমস হোস্পিটালগী মোর্গতা পুরক্লগা থমখ্রে।

অমরোমদা মীশি অসিগী মতাংদা পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, ৱাশিমাগা খঙনবা অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা চঙমদবী মখা লৈকায়দগী মীওই অমা ফারগা হৌজিক ৱাহং-পাউহংবগী থবক চথুরি হায়রি।

## মচানুপা লৈখিদবা থৌদোক্কী কেসতা...

*লামায় ১গী মখা...* অন্দর সেক্সন- ৩০২ আই পি সীনি। ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা কেস অসি লৌখৎপগা লোয়ননা থোকখ্রিবা খৎন-চৈনবগী থৌদোক অদুদা শোকপদগী জেনিমসতা লায়েংখিবা লৈখিদ্রবগী অপোকপা এস রঞ্জিৎপু মথংগী নুমীৎতা জেনিমসতগী ফাগৎখি। অদুগা নবেম্বর ৩০, ২০১৫ ফাওবা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতগী নুমীৎ ৫নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথদুনা ৱাহং-পাউহং চথুখি হায়রি।

পুলিসনা থৌদোক থোকফমদগী উনা মখোক পাল্লগা ইঞ্চি ১১ রোম শাংবা হৈজ্রাং ১ অমসুং ঈ তৈবা গ্রীন কলরগী ফুল স্লীভ জর্শি অমা রিকোভর তৌখি। লোয়ননা থৌদোক অসিবু হকথেংননা উহৌবা মীওই অনী (লৈখিদ্রবগী মমা অমসুং মনাওনুপা)গী ষ্টেটমেন্ট লৌখি। পুলিসনা থৌদোক অসিদা শীজিন্নখিবা হৈজ্রাং (ৱিপন ওফ ওফেন্স) ৱিটনেসশিংগী মমাংদগী রিকোভর তৌবা ঙম্বদগী কেস অসিগী মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চথরবা মতুংদা ৱায়েল চথনবগীদমক কোর্টতা চার্জশীট থাগৎলকখিবনি।

কোর্ট অসিনা পুলিসকী চার্জশীটতা য়ুম্ফম ওইদুনা সেসন্স ট্রাইয়ল কেস নম্বর- ১২ ওফ ২০১৬ লৌখৎলগা মসিগী ৱায়েল চথরকখিবনি। পুন্না প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস-১০বু এগজামিন তৌরগা চথরকখিবা ৱায়েলগী অরোইবা হিয়রিং থা অসিগী ১৪দা পাঙথোকখি। অদুগা রিজর্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা ঙসি লাউথোকখিবনি। অদুবু মহাক্কী ফাদোক্কী মতম লেপথোক্নবা সেন্টেন্স হিয়রিংসু কোর্ট অসিদা পাঙথোকখিগনি।

কেস অসিগী ৱায়েলগী হিয়রিংদা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেসশিংনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্নদি এস রঞ্জিৎনা মচানুপাশিংদা ইমুংদগী থোরক্কবা লাউ-খোংখিবা, মহাক্না পাঙ্গল চাংয়েংনসি হায়বা য়াওনা মীওই অমা হাৎপা পাম্মী হায়খি হায়রিবা অসিগী মমাংদা মখূৎতা থাঙ পায়রে হায়না কোর্টনা লৌখি। অদুগা মচানুপা অমদা হৌদুনা খৎনরকপদা লৈখিদ্রবা রোশননা চঙশিন্দুনা খামদোক্কবা হেৎনরুবদা মঙোন্দা ওনশিল্লক্তুনা থাঙনা থিল্লকপনি। মসিদা মপাগা খৎনখিবা মচিন-মনাওদু য়াওনা মহাক রিমসতা পুখৎলগা লায়কন্নবদা মহাক্তি কনবা ঙমদনা লৈখিদবনি হায়রি।

এস রঞ্জিৎকী মায়কৈদা লেপখিবা দিফেন্স কাউন্সেল এন ভোগেন্দ্রজিৎকী মায়কৈদগী মহাক হেবিচ্যুএল দ্রঙ্কর অমা ওইখিবনি। মহাক্কী মায়কৈদগী কম্মিট তৌখ্রিবা ওফেন্স অদু মর্দর নত্তে, কলপেবল হোমিসাইদনি হায়বগা লোয়ননা খৎন-চৈনবা থোরকপদগী খঙহৌদনা থোকখিবনি। হান্নবা মাঙজৌননা লেপথোক্লবা ওফেন্স অমা নত্তে হায়বা ৱাফমশিং কোর্টতা সবমিসন তৌখি।

## কোরোনাভাইরস : চাইনাদা মেদিকেল...

*লামায় ১গী মখা...* অমরোমদা, লৈবাক অসিগী কেপিটেল ওইরিবা ন্যু দিল্লিদা মীওই অহুম রাম মনোহর লোহিয়া (আর এম এল) হোস্পিটালগী আইসোলেসন ৱার্দতা থমদুনা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইব্রা হায়বা খঙদোক্নবা ওবজর্ভেসনদা থমখ্রে। কেরলাদসু হোস্পিটালদা লৈবা মীওই মঙা য়াওনা পুন্না মীওই ৪৩৬ কোরোনাভাইরসনা নারব্রা হায়বগী ওবজর্ভেসন তৌবগী থবক চথুরি হায়রি।

অমরোমদা, জেনিমসকী দিরেক্টর প্রো. টি ঐচ ভিমোনা চেয়র লৌদুনা মহাক্কী ওফিস চেম্বরদা ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তারকপা মতমদা ইমর্জেন্সি ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা কোরোনাভাইরসনি চিংনবা কেসশিং লাকপা মতমদা মতৌ করম্না হোস্পিটাল অসিনা মেনেজমেন্ট তৌগদগে হায়বগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখ্রে। মীফম অদুনা কম্মিটি অমসু শেমখিবগা লোয়ননা কোরোনাভাইরসনি চিংনবা কেসশিং লাকপা মতমদা শীজিন্নগদবা স্পেসল ৱার্দতা লৈবা কা অমসু খাক্তুনা থমখ্রে। লোয়ননা কোরোনাভাইরসনি চিংনবা কেসশিং লাকপা মতমদা মেদিসিন নৎত্রগা রেস্পিরেটরি দিপার্টমেন্টকী মখাদা এদমিট তৌহন্নবসু লেপ্পখি হায়রি।

লাইহৌ হৌবা, শ্বর হোনবা নুংঙাইরক্তবা, লোক খূবা, হকথি খনবা, নাতোন্দা নপ-তিল কা হেন্না তারকপা, কোক চীকপা অমদি হকচাংগী কয়াৎশিং চিকপা নাবনচিংবা লায়ওংশিং অসি তৌরক্লবদি অথুবা মতমদা জেনিমস নৎত্রগা রিমস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা দোক্তরশিংগা তানদুনা কোরোনাভাইরসকী চিংনবা লৈব্রা হায়বদু নীংথিনা য়েংথোকপীহৌগদবনি হায়নসু দোক্তর কয়ানা পাউচে অসিদা ফোঙদোক্নরক্লি।

## ওন্নখিবা

জন্যুৱারী ২৮ দা পাউচে অসিগী লমায় ৯ দা 'চাইনাদগী হল্লকপদা ঙাইরিবা বাংলাদেশকী মীওই ২০০০ কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরে' হায়বা পাউ অমা য়াওখিবদু 'পোজিটিভ ওইরে' হায়বগী মহুত্তা 'টেষ্ট তৌখ্রে' হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। -এদিটর

## হাঙদুনা লৈরিবা কেম্পসশিংদা উ, হৈ-রা থারবদি ফোরেষ্টতা...

*লামায় ১গী মখা...* ফোরম কয়ানসু শেল থাদদুনা হোৎনরক্লি। ফোরেষ্ট য়োকখৎকদবনি, বাইওদাইভর্সিটি কঞ্জার্ভেসন তৌগদবনি হায়না এৱেয়র্নেস পাঙথোক্লি। শেল ইচঙ চঙদনা অতেনবা মতমদা পায়খৎপা য়াবা থৌরাং হায়রগদি হাংদুনা লৈরিবা স্কুল, কোলেজ অমদি ওফিসশিংগী কেম্পসশিংদা উ থাবা য়াই। অঙ্গৈং-অশাগী চাং ফগৎহনবদা মতেং ওইগনি। কেম্পসশিং অসি প্রোটেক্তেদ এরিয়া ওইবনা নীংথিনা থাবা য়াই। ইনভাইরনমেন্টতসু মতেং ওইগনি।

পাম্বীশিং অসিসু মণিপুরগী লৈহাওগা চান্নবা অমদি হিদাক কান্নবা পাম্বীশিং থাগদবনি। তাইরেন পাম্বী মশিং হন্থরক্লি। হৈরাঙ্গৈইনচিংবা অসি লাইদা কৎনবা ওইবনা য়াম্না থারম্মী। মসি য়োকখৎপা চঙই। মুৎশিল্লক্লিবা পাম্বীশিং কেম্পসশিংদা থাদুনা ইনভাইরনমেন্ট কনবদা মতেং পাংসি। অগোর পাম্বীসু থাবা য়াই। উনিংথৌ অসি স্কুল, কোলেজশিংদা থাবা মতমদা মহৈরোয়শিংদা এদ্যুকেসন পীবা ওইগনি। ইন্দিয়াগী ওইনা নিম কেম্প্যেন পায়খৎলি। কেম্পসশিংদা হৈক্রুসু থাবা য়াই। মহৈরোয়শিংনা চাবগী খুদোংচাবসু ফংগনি। হৈক্রু অমা চাবদা হকচাংদা লাকপা য়াবা লায়না ১০০গী মনুংদা ৭০ রোমদি ঙাকথোকই হায়না পারি। ঐখোয়গী পাম্বী কয়া অসি কনবা তাই। ষ্টেট ট্রী ওইরিবা উনিংথৌ পাম্বী অসি মহৈরোয়শিং অমদি ওজাশিং ফাওবদা হৌজিক্কী মতমদা উবা ফংদবা কয়া লৈরমগনি।

এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট, স্কুল ওথোরিটি নৎত্রগা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা ওইরবসু পোলিসি অমা শেমদুনা থবকশিং পায়খৎপদা থৌদাং লৌরবদি অঙ্গৈং-অশাগী চাং নীংথিনা থম্বদা মতেং ওইগনি। হৈকোল-লৈকোল ওইরবা কেম্পসশিং অসিগী ৱাহন্থোক পীগনি। রিছার্স তৌনবগী মফমসু পীরগনি। স্কুলগী মশকসু লেপকনি। ওজাশিংদা এৱার্দ পীবদসু কেম্পসতা হৌরিবা উপাল-ৱাপাল, হৈ-রাগী মশক্তা য়েংলগা পীরবদি ইনভাইরনমেন্টতা অচৌবা মতেং পীবা ওইগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF TRIBAL AFFAIRS & HILLS**

**NOTIFICATION**
Imphal, the 28th January, 2020

No. 1/2041/2012- TA&H: Application in the prescribed Common Application Form is hereby invited from the intending and eligible Scheduled Tribe individuals for availing of the Financial Assistance/ Material aid under the following programmes of the Tribal Affairs & Hills Department, Manipur for the year 2019-20:-

| Sl. No. | Name of the Scheme |
|---|---|
| 1. | Distribution of Sewing machines |
| 2. | Housing programme (CGI sheets) |
| 3. | Water storage tanks |
| 4. | Assistance to women societies/ organizations/SHGs |

2. The prescribed Common Application Forms in respect of schemes under Sl. No. 1 to 3 may be downloaded from the Department website (www.tahmanipur.gov.in). In respect of Assistance to Women societies/ organizations/ SHGs appearing at Sl. No. 4 above, the Society/ Organization/ SHG may apply in their letter heads specifying the activities for which the financial assistance is sought for under the scheme, addressed to the undersigned.

3. Last date for submission of duly filled up/ completed Application Form in the office of the Director, Tribal Affairs & Hills, Manipur is **14.02.2020**. No application form shall be entertained after the stipulated period.

*Sd/-* **C. Arthur Worchuiyo**
**Director,**
**TA & Hills, Manipur**

HL-P/6081/29,30